**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-11-2025)**

**প্রেস ডে (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী হীরমনা 'সেফগার্দিং প্রেস ক্রেদিবিলিতি এমিষ্ট রাইজিং মীস-ইনফোর্মেসন' হায়বসিনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) না শিন্দুনা থৌরম অসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি।

পালন থৌরম অদুদা অথোইবা অতিথি ওইনা শরুক য়াখিবা আই.পি.আরগী সেক্রেটরি-হুংয়ো ৱারশঙনা হায়-নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোকপা অসিনা ভারত্তা মনিং মখা তন্বা, দায়ত্ব লৈবা প্রেস লৈ হায়বদু উৎলি। মহাকা হায়-কুমশি চহিগী পীরিবা থিম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি, অরানবা পাউ শন্দোকপগী মওং হেনগৎলকপা অসিগী য়েংলগা প্রেসকী মগুন হেন্না লৈহন্নবনি। মায়কৈ কয়াদগী প্রেসর লাকচরবসু প্রেসশিংনা য়ারিবমখৈ অচুম্বা পাউ অদু ফোংনবা হোৎনমীন্নসি হায়না মহাকা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.পি.আরগী দিরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়-অরানবা পাউ পীবনা মীয়ামদা চম্মনবা কয়া পোকহনবতা নত্তনা ইরাং থোকহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। মরম অদুনা, পাউ অমা ফোংলমদাইদা মদুগী অচুম-অরান নীংথিনা খঙদোক্লগা ফোংবনা অসিগুন্বা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ সু য়েন্থোকখ্রে। চহি অসিগী ওইনা মনা ফংলবশিং অদুদি-বেষ্ট ইদিটরদা পোকফম পাউচেগী অরিবম রোবিন্দ্রো শর্ম্মা, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কেটাগোরিদা সনালৈবাক পাউচেগী

শনাশম কৃতিবাস সিংহ, পার্লিয়ামেন্টরিদা সনালৈবাক পাউচেগী খাইদেম অথৌবা মৈতৈ, ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনদা শঙাই এক্সপ্রেসকী খরিবম য়াইফবা মৈতৈ, আর্ট এন্দ কলচরদা পোকফম পাউচেগী থোঙাম বোনি সিংহ, স্পোর্টসতা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অলকা থোকচোম অমদি পাব্লিক হেলথ এন্দ হাইজিনদা সনালৈবাক পাউচেগী হেমচন্দ্র শগোলশেমনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা 'সেফ গার্দিং প্রেস ক্রেদিবিলিতি এদমিষ্ট রাইজিং মিস ইনফোর্মেসন' হায়বসিদা ৱার্কসোপ অমসু পাঙথোকখি। সেনিয়র জরনেলিষ্ট প্রদিপ ফানজোবমনা মোদরেতর ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৱার্কসোপ অদুদা সেনিয়র জরনেলিষ্ট কে. শরোজ কুমার শর্ম্মা অমদি ইম্পেক্ট টি.ভি. চীফ ইদিটর রুপচন্দ্র য়ুমামনা রিছোর্স পাসন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**শঙাই (এল)ঃ** মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ পাঙথোকবগীদমক শেম শাবগী থবক কন্না চথরি। সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকবগীদমক ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা শেম শারিবা চাদা ৮০ গী চাংদা লোইরে।

থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা নুমিৎ ১০ চুপনা পাঙথোক্কদবা শঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা স্তোলশিং হাংবগা লোয়ননা জগোই-ঈশৈ, খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং, শান্ন-খোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং উৎকনি।

**ইয়ার (এল)ঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রুটিন ওইনা প্রি-প্লান ইন্দিয়ান ইয়ারফোর্স এক্সরসাইজ পাঙথোক্লি।

এক্সরসাইজ অসিনা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টকী মহৌশাগী ওইবা থবক থৌরমশিংদি অকায়বা থোকহনখিদে।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা সদর ইষ্ট রেঞ্জকী অকোইবদা লাউদ স্পিকর কেম্পেন চথখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- উমং মৈ চাকপা, আইন কায়না লৈবাক কোথোকপা, উ য়াম্থৎপা, শিঙ চনবনচিংবা আইন্না য়াদবা থবক থৌরমশিংদগী থিংননবা অমদি ঙাকথোকবগী পান্দমদা কেম্পন অসি ফোরেষ্ট বিভাগনা চথখিবনি। কেম্পেন অদুগী শরুক অমা ওইনা উমং কন্ননবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা ফোরেষ্ট বিভাগকী মাইকৈদগী আপীল তৌখি।

**কলেজ (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়রি-মাংজোননা পোরম নীংথিনা য়াৎথোকবা তুংদা লিংজেল মান্ননা হোৎনমীন্নরবতদা থবক খুদিংমক মায় পাকপা ঙমগনি।

ইন্টরনেলে ক্বালিতি ইন্সুরেন্স সেল অমদি মহারাজ বুধচন্দ্র এল্যুমনাই এসোসিয়েসননা শিনদুনা কলেজ অসিদা ঙসি পাঙথোকখিবা এল্যুমনাই মিট-২০২৫ দা ৱা ঙাংবদা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-মহে মশিং নাংথিনা হৈবা হায়বসি পুন্সিদা মায় পাকপদা অচৌবা মতেং ওই। মহেরোইশিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংনবগীদমক মখোয়দা অফবা শিক্ষা পীবা তঙাইফদে।

**কোপেরেটিব (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিব ওফিস-ককচিংনা শিনদুনা ঙসি ৭২ শুবা কোপোরেটিব ৱিক সেলেব্রেসন থৌরম ককচিং জিলাগী ককচিং চুমনাং লৈকাইদা লোইজসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

কোওপরেটিবস এজ ভেহিকলস ফোর অত্ম নিরভর ভারত হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা-কোওপরেটিবকী মতেংনা খুঙ্গংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খুমাং য়াংশিনহনবা হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনখি।

**কোর্ট (এল)ঃ** হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন-মনিপুর লিংখৎখিবগী ৩৫ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জষ্টিস, জষ্টিস এ. বিমোল সিংহ, জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা, মনিপুর জ্‌দিসিএল একাডমীগী দাইরেক্তর-জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুনসিলু, মনিপুরগী এদভোকেট জেনরেল-লেনিন হিজমনচিংবা শরুক য়াখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** ১৮ শুবা রাজ্য থাক্কী ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল চহি অসিগী দিসেম্বর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা তমেংলোংদা পাঙথোক্লগনি।

মসিদা জিলা অদুদা পুথোকপা কোমলাশিং উৎকনি। ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবা ওরেঞ্জ ক্বিনগী ওদিসন হয়েংদগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী মিণি সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স রুমদা অদুগা থা অসিগী ২২ দনা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা হোম গার্দশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং মথং থাগী তরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মনিপুর হোম গার্দকী ৬৬ শুবা রাইজিং ডেগী মাংওইননা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা তকশিল্লক্লি।

লুৱাংশংবমদা লৈবা মসিগী হেদ ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-য়াংলেম মঙ্গিনা হায়-হোম গার্দশিং অসি রাজ্য পুলিসকা চপ মান্ননা মথৌ তৌরি। অদুবু, ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিংদি ফংদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা হোম গার্দশিংগী ওইবা তোকখায়বা দাইরেক্তর জেনরেল অমা হাপবা অমদি সেনিয়ারিতি লিষ্ট শেম্বীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌদুনা লাক্লি। অদুবু, ঙসি ফাওবদা সরকার অমদি মরী লৈনবা ওথোরিতিনা থবক ওইনা ওন্থোক্তনা লৈরি। থৌরম অদুদা হোম গার্দকী ওইবা

চহিগী কেলেন্দরসু ফোংখি।

**বিহারঃ** বিহারদা এন.দি.এগী অনৌবা সরকার অমা শেমবগী রাজনিতিগী থবক থৌরমশিং কনখৎলক্লি।

পাটনাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারগী য়ুমদা তোঙান তোঙাবা রাজনিতি দলশিংগী লচিংবশিংনা তাঙ্কক কয়াদা ৱারী শান্নরি। এন.দি.এগী লুচিংবা কয়ানা শ্রী নিতিশ কুমারগা উন্নদুনা মথংগী সরকার শেমবা খন্নরি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যাইনন্দ রাই, উপ মুখ্য মন্ত্রি-বিজয় কুমার সিনহা অমসুং রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চাগী প্রসিদেন্ট-উপেন্দ্র কুসৱানা ঙসি নিতিশ কুমারগা উন্নখি। এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী এম.এল.এশিংগী মীফম অমসু ঙসি নুমিদাং পাঙথোক্কনি।

জে.দি.য়ুনা মসিগী নৌনা কারবা এম.এল.এ. ৮৫ মক পাটনাদা কৌদুনা মীফম পাঙথোক্কনি অমদি মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারবু মসিগী লুচিংবা ওইনা খনগনি।

বি.জে.পি. লেজিসলেটর পার্টিগী মীফমসু হয়েং পাঙথোক্লবা য়াই। এন.দি.এদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা দলশিংনা মখোয়গী লুচিংবশিং খল্লবা মতুংদা নৌনা কারবা এম.এল.এ. ২০২ গী ওইবা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা এন.দি.এ. লেজিসলেচর পার্টিগী অনৌবা লুচিংবা খনগনি। মদুগী তুংদা, এম.এল.এশিং অদুনা শৌগৎপা চেরোল অদু সরকার শেমবা দাবী তৌরদুনা রাজ্যপালদা পীশিনগনি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হয়েং হরিয়ানাগী ফরিদবাদতা পাঙথোকপা নোর্দন জোনেল কাউন্সিলগী ৩২ শুবা মীফমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়াগনি।

কাউন্সিল অসিদা য়াওরিবা রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা

লৈবাক্কী অমদি লমদম-লমদমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱা খন্নগনি। হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেস, পঞ্জাব, রাজস্থান, দিল্লি, জম্মু কাশ্মির, লদাগ অমসুং চান্দিগরগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি।

হৌখিবা চহি ১১ অসিদা রাজ্য মশেলগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা অমনা অমবু তেংবাং পীননবগী মতাংদা খন্নবা, তোঙান তোঙানবা জোনেল কাউন্সিলগী পুন্না মীফম ৬৩ পাঙথোকখ্রে।

**মাওইষ্ট ঃ** ছাতিসগরগী সুখমা জিলাদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা নুপী অনি য়াওনা মাওইষ্টকী মীওই অহুম শিরে।

পুলিসকী পাউনা হায়-টুমালপর এরিয়াগী জঙ্গলগী শরুক্তা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দকী কাংবু অমনা মফম অদুদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মফম অদুদগী মাওইষ্টকী মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদু ফাবদা লুপা লাখ ১৫-১৫ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। মফম অদুদগী রাইফল অমা, বি.জি.এল. লোঞ্চরশিং অমদি অতৈ পোকখায়বা য়াবা পোৎলম কয়াসু ফংলে। তুংদা, মফম অদুদা পাক শন্না থিবা হুন্নবগী থবক চথখি।

**য়ুপি ঃ** উত্তর প্রদেসকী সোনভদ্রা জিলাদা ঙরাং নুমিদাং কৃষ্ণ মাইন ক্বারিগী ৱাল নিংখায়রকপদগী মীওই অমা শিরে অতৈ মীওই ১০ হেনবনা মাইন মনুংদা থোরকপা য়াদনা লৈরি।

এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ. অমসুং লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসননা থোরকপা য়াদনা লৈরিবা শিন্নমীশিং অদু কন্নবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি। শিরিবা মীওই অদুগী হকচাংদি ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

**এৱার্ড ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা নহারোলশিংবু লৈবাক অসি চাউখৎহন্নবা পুকিং থৌগৎপদা মেদিয়ানা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শিংথাখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মনোরামা ন্যুজ মেকর এৱার্ডস-২০২৪ গী থৌরমদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-জর্নেলিজমনা মীয়ামগী খোল্লাউ ওইরি। মীয়ামদা এৱারনেস পীদুনা নিশা শিজিন্নদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদসু মেদিয়াগী মপুং ওইবা থৌদাং লৈ হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা উপ রাস্ত্রপতিনা কেন্দ্রগী টুরিজম, পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস রাজ্য মন্ত্রি-সুরেস গোপিদা মনোরামা ন্যুজ মেকর এৱার্ডসু পীখি। সিনেমা অমসুং রাজনিতিগী লম অনিমক্তা মায় পাকপগীদমকসু মহাকা শ্রী গোপিবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**ভিদিও ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা থাগী ওইনা ইরাই লায়না শেল তানবা য়াই হায়বা ইনভেষ্টমেন্ট স্কিম অমগী মতাংদা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলিবা ভিদিও অদু সরকারনা অরানবনি হায়না শেংদোক্লি।

প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) গী ফেক চেক য়ুনিটনা হায়-ভিদিও অদু এ.আই. শিজিন্নদুনা শেমদোক শাদোক্লবা অরানবা ভিদিওনি। সরকারনা অসিগুম্বা স্কিম অমত্তা হৌদোকপা লৈতে। অসিগুম্বা শাশিন্নবা ইনভেষ্টমেন্ট স্কিমশিংদা মীয়ামনা থাজবীদনবা অমদি অসিগুম্বা লিঙ্কশিং শিজিন্নদনবসু সরকারনা মীয়ামদা হায়রি।

**পাকিস্থানঃ** পাকিস্তানদা সুপ্রিম কোর্টকী শক্তি হন্থহল্লিবা, য়েৎনরিবা ২৭ শুবা সংবিধান শেমদোকপগী মায়োক্তা লহোরগী উকিলশিংনা ষ্ট্রাইক চংশিন্নবা লাউথোকখ্রে।

রাস্ত্রপতি-আশিব আলি জরদারিনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সহি তৌখিবা ২৭ শুবা কন্সটিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট অসিনা চীফ ওফ দিফেন্স

ফোর্সেসকী অনৌবা ফম অমা হাপ্পগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনেল কোর্ট অমা লিংখৎপগী ৱাফম য়াওরি। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা সেনিয়ার জজ অহুম-সুপ্রিম কোর্টকী জজ অনি, জষ্টিস-সয়েদ মনশুর আলি সহা অমসুং জষ্টিস-আথর মিনারা অমদি লহোর হায় কোর্টকী জষ্টিস-সামস মেহমুদ মিরজা ফম থাদোকখ্রে। থৌওং অদুবু জজশিংনা সংবিধান অমদি জ্দিসিয়ারিবু ইকায় পীবনি হায়রি।

**য়ুপি ঃ** উত্তর প্রদেসকী সোনভদ্রা জিলাদা ঙরাং নুমিদাং কৃষ্ণ মাইন ক্বারিগী ৱাল নিংখায়রকপদগী মীওই অমা শিরে অতৈ মীওই ১০ হেনবনা মাইন মনুংদা থোরকপা য়াদনা লৈরি।

এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ. অমসুং লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসননা থোরকপা য়াদনা লৈরিবা শিন্মীশিং অদু কন্নবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি। শিরিবা মীওই অদুগী হকচাংদি ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

**পোলোঃ** চহি অনি লেপ্লরবা মতুং মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল তুরনামেন্ট অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল থা অসিগী ২২ দগী ২৯ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

ঙসি উরিপোক্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা তুরনামেন্ট অসিগী ষ্টিয়ারিং কমিতিগী চেয়ারমেন প্রোফেসার সি.ঐচ. প্রিয়োরঞ্জন্না হায়-হৌজিকমক্কী ওইনা তুরনামেন্ট অসিদা কলম্বীয়া অমসুং য়ুনাইতেদ ষ্টেটস য়াওগনি হায়রক্লে। স্পেন অমসুং ইটলিসু তুরনামেন্ট অসিদা য়াওরবা য়াই। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়া পোলো এসোসিয়েসন অমসুং ছত্তিসগর অমদি মণিপুর টিম তুরনামেন্ট অসিদা য়াওগনি।

**ফুটবোল ঃ** ৩ সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-সোসিএল স্পোর্টিং ক্লবনা অসুফি-এফ.এবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমদি অনৌবা ইমাগী মঙালনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খা মনিপুর কলেজ-ককচিংনা থম্বাল মরিক কলেজ ওইনামবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চংথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পি.ৱাই.সি. কৈরকনা এম.ৱাই.সি. ৱাইখোংবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.জি.আই.সি. লাংমৈদোং অমদি এস.এস.সি. লাংমৈদোং পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল ঃ** ৩ শুবা থোকচোম ইবোপীশক নিংথৌরেল সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উৎশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরীনা নুংসাই চিরু য়ুথ ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-খা পোৎশংবম ফুটবোল ক্লব অমদি ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ক্রিকেট ঃ** গুজরাটকী সুরটতা লৈবাক সি.কে. কিথৱালা গ্রাউন্দা চংথরিবা মনিপুর মেঘালয়গী রনজি ট্রোফি প্লেট ফার্ষ্ট ক্লাস মেটচকী ঙসি অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইবা ফাওবদা মেঘালায়া ৱিকেট ৫ তুরগা রন-৩৫৯ লৌরি।

নোংচুপ বেঙ্গোলগী নাদিয়াদা লৈবা গোকুলভাই, সোমাভাই পতেল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অরুনাচল প্রদেস অমসুং মনিপুরগী কুসবিহার ট্রোফি প্লেট য়ুথ ফাষ্ট ক্লাস মেটচকী ঙসি শান্নবা লোইবা ফাওবদা মনিপুরনা ৱিকেট ৯ তুরগা রন-৩৬২ লৌরি।